হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, নবেম্বর ১৩, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ২২৯ শুবা মশীং

# ওপন পোলিটিকেল দাইলোগ

## অপূনবা মণিপুর অমগীদমক মীয়ামগী খোল্লাউ মথৌ তারি

**মতম** শাংনা নোংমৈ কাপ্পবা লেপ্তুনা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমসুং নেসনল সোসিএলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালিম (এন এস সী এন) আই-এম ৱারী শান্নবগী অরোইবা পন্দুপ য়ৌরক্লে হায়না নাকল অনীমক্তগী ক্লেইম তৌনরকপা লৈখ্রে। লালহৌলূপ অসিগা ৱারী শান্নবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা হাপখিবা ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবি অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) গী লুচিংবা কয়ানসু ৱারী শান্নবগী অরোইবা পন্দুপ য়ৌরক্লে হায়বসি তৎতনা পল্লকপা মরম্না মণিপুর, অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশতা লৈরিবা মীয়ামদা মীপাইবা পোক্লরি। লালহৌলূপ অসিগী চ্যেরমেন ইশাক চি সুনা নোঙ্গাদ্রিবৈঁদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অমা নাকল অনীগী মরক্তা তৌনখিবা লৈখ্রে। অদুবু কুমজা ২০১৬-১৭কী মীখলগী মতমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিট শাহা, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথনচিংবনা এন এস সী এন (আই-এম) গী ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টতা মণিপুর কায়বা য়াবা অমত্তা য়াওদে, এগ্রীমেন্ট অদুদা মণিপুর হায়বা ৱাহৈ অমত্তা পন্দে হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লখিবা লৈখ্রে। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী লুচিংবশিং অমসুং বি জে পিগী মকোক থোংবা কয়ামরুম্না মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম অমসুং ঙমখৈ ঙাক্কনি হায়বগী থাজবা পীখিবনা মরম ওইরদুনা মীখলগী মতমদসু বি জে পিগী মপাঙ্গল কনখৎলকখি। সিট ৬০ লৈবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা বি জে পিনা সিট ২১ ফংদুনা লৈঙাক পায়ননবগী লম্বী য়াৎপা হৌখি। অমরোমদা এন এস সী এন (আই-এম) গী লুচিংবশিং অমসুং মখোয়গা পূন্না চৎমিন্নরিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গেনাইজেসনশিংনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা চথরিবা অরোইবা তাঙ্ককী ৱারী শান্নবসি নগাশিংগী মতম শাংনা মঙলকপা মঙলান শোয়দনা মঙফাওনরগনি। মীয়ামগী অপাম্বা অদু ফংগদবা কুইদ্রে, শাংলবা চহী কয়া অমদগী মঙলকপা নাগাশিংগী মঙলান মঙফাওনরগনি হায়বনচিংবা ৱাফম ময়াম অমা ফোঙদোক্তুনা হরাউ মথোই কান্নরি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অমদা কাঙবু অমনা ৱাহন্থোক অমা অদুগা অতোপ্পা কাঙবু অমনা ৱাহন্থোক অমা হনবা য়াবা হৌনদে। মসিমক্লা তাক্লিবদি নাকল অনীসিগী মরক্তা হায়বদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টপু ওইরো, এন এস সী এন (আই-এম) বু ওইরো অমদি মীয়ামদা নমথাক তৌবা, ওইদবা ঙাঙবা য়াওরে হায়বসি য়াম্না নাখৈ শেংলবা ৱাফম ওইরে। অদুবু নাগাগী মীয়াম্নদি এন এস সী এন (আই-এম) না কৈদৌঙৈদসু নাগাশিংদা নমথাক তৌরোই হায়বসিনি। মতাংশ্বাইদা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম হায়বদু করম তৌরগদগে হায়বা ৱাহং অমদি অদুম লাকখ্রে।

মণিপুরগী মীয়াম্না ঙল্লিবৈঁ মতমদগী সিক্স সেদ্যুল, গ্রেটর ওটোনোমি, লৈঙাক অমদা লৈঙাক অনী লৈবগী মওং নৎত্রগা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়গদবা থবক অমত্তা তৌবা য়ারোই হায়বা তোঙান তোঙানবা খোল্লাউশিং লৈরি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা ভারতিয়া জনতা পার্টিগী লুচিংবসু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়বগী ৱাফম লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে। অদুবু মীয়াম্না হংনরিবা ৱাহংদি অপূনবগী শক্তম কায়রোই হায়রগা করিগীদমক্তা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না পোলিটিকেল পার্টি পূম্বগী মীফম কৌদুনা ইস্যু অসিগী মতাংদা ৱা খন্নখিবনো? মসিগীসু মথক্তা দ্রাফটিং কম্মিটি অমা শেমদুনা প্রাইম মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টরনচিংবদা মেমোরেণ্দম পীবদা হাপকদবা ৱাফমশিং করিগী নৈনহনখিবনো হায়বসি মীপূম খুদিংমক্কী ৱাহং ওইরক্লে। পূম্নমক অসিগী মথক্তা করিগীদমক্তা লৈঙাক অসিনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর রাধাবিনোদ কোইজম অমসুং মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন (এম পি এস সী) গী চ্যেরমেনসু ওইরিবা রিটয়ার্দ লেফটিনেন্ট জেনরেল কোন্সম হিমালয়বু কন্সলটেটিভ কম্মিটিগী মেম্বর হাপখিবনো? কুমজা ২০১৭কী ওক্টোবর ৩১দা মখোয় অনীবু করিগীদমক দেল্লিদা থারগা আর এন রবি অমসুং হোম মিনিষ্ট্রিগী মীহুৎশিং উহনখিবনো হায়বা ৱাহংশিং অসি লৈবনা লৈঙাক্লা হৌজিকসু হীরম অসিগী মতাংদা নুংনাংবা লৈরি হায়বসি ময়েক শেংই। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি, অসিগুম্বা চমম্নবা তানফম অসিদা মণিপুরগী ঙমখৈগীদমক লেপ্লিবা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম), ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গেনাইজেসন (অমুকো) অমসুং কম্মিটি ওফ সিভিল সোসাইটিস কংলৈপাক (সী সী এল কে) না শিন্দুনা থা অসিগী ১৮গী অয়ূক পুং ৯.৩০ তাবদা ইম্ফালগী লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোক্কনি হায়না কৌরিবা ওপন পোলিটিকেল দাইলোগ অসি মতাং য়াম্না চাই হায়না লৌবা য়াই। অসিগুম্বা দাইলোগ অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গেনাইজেসনশিং, মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়দুনা থবক তৌরিবা চীংগল লূপশিং, মহৈরোয়শিং অমসুং মীয়াম পূন্না শরুক য়াদুনা ঐখোয় করি তৌগদগে হায়বা ৱাফম খন্নহৌগদবনি। ঙমখৈদি কায়খিদবা য়াই অদুবু ফাইনান্সিএল নৎত্রগা কলচরেল ওটোনোমি পীদুনা লৈঙাক অমগী মনুংদা অতোপ্পা লৈঙাক অমা লৈহনখিবা তারগদি ঐখোয় কৈদৌগদগে হায়বদুসু হৌজিক্তগী হৌনা ৱা খন্নহৌরসি। ঐখোয়গী ঙমখৈ অমসুং অপূনবগী শক্তম ইন্দিয়ানা শাগৎলকপা নত্তে। লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিং অদুনা শেম্বীরম্বনি, শাগৎপীরম্বনি হায়বসি ঐখোয়না কাউরোইদবনি।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## মণিপুর সেক্রেটরিয়েট ওফিস ষ্ট্রিমলাইন তৌথোক্লবা থবক লৌখৎপা মতম ওইদ্রিব্রা?

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**তশেংনা** মনুং মপাল উবা ঙম্বা, অচান মীরাই খাইদবা মান্নবা মিৎয়েং পূম্নমক অসি মাঙদা থল্লগা বি জে পি লৈঙাক্লা হৌজিক ফাওবগী মনুংদা পায়খৎলিবা থবকশিং পূক্নিং থৌগৎনীংঙাইনি। ভিজিলেন্স এৱ্যার্নেস ৱিক্কী নুমিৎতা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়খিবদা ষ্টেট অসিদা করপসন্না য়াম্না শাথিনা লৌনগনবা লায়না মখল অমগী শকওং লৌদুনা খুন্নাই অসিদা অচৌবা শাফু অমা পীরে। অদুগা লৈবাক মীয়ামগী হক মাঙহন-তাকহনবনচিংবা চেন্নবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎলকপা মথৌ তাই হায়খি। মরুওইনা মণিপুর সেক্রেটরিয়েট ওফিস অসিদা অৱাংবা থাক্তগী অপীকপা ফাওবা লৈঙাক্কী থৌশিল অমগী মখাদা মমাঙদা পানখিবা অমদি হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক্লা ফম হোংদোক হোংজিন তৌখিবা কয়া লৈখ্রে। অদুবু মীওই খরদি চহী ৫/৬ হেল্লবা ফাওবদা মচি লেংদনা মীৎয়েং চঙবা ঙমদদুনা লৈরি। সেক্রেটরিয়েট ওফিস মতম অমদা মণিপুরদা লৈরিবা ওফিসশিংনা য়াম্না ইকায় খুম্নখিবা লোইশঙ অমা ওইখি। অদুবু ঙসিদি মতম অদুদা লৈখিবা ইকায়খুম্নবা অদু মীয়ামগী পূক্নিংদা লৈরিব্রা হায়বা অসিনি।

লাকচনীংলিবা ৱাফমদি মমাঙগী লৈঙাক্লা মপাল ফরিবৈঁদা অতোপ্পা ষ্টেটতগী অমদি টেরিটোরিদগী দেপুটেসন্না পুশিল্লকখিবা ওফিসার কয়া ঙসিসু চহী অসুক কুইবসি চুক শাদুনা মচি লেংদনা লৈবা য়াওরি। মসিনা দেপুটেসনগী ৱাহন্থোক লৈহন্দ্রে। হায়রিবা মীওইশিং অসিনা মতম শাংনা গভর্ণমেন্টকী কি পোষ্ট কয়া পায়শিন্দুনা লৈবদগী মণিপুরগী সিভিল সার্ভিসতা লৈরিবা মীওই কয়াদা য়াম্না চাউনা অপনবা থোক্লে।

অতোপ্পা চথরিবা থৌওং অমনা মমাঙগী লৈঙাক্লা থবক হাপখিবা ওফিস এসিষ্টেন্ট ফাওবা মরম শুকচা চাদনা মশাগী দিপার্টমেন্টতা হেক থবক চঙবদগী জোইন তৌহন্দনা সেক্রেটরিয়েট ওফিসতা জোইন তৌহন্দুনা লৈবা য়াওরি। হায়রিবা মীওইশিং অসিগী করি অহেনবা লৈবদগী থল্লিবনো হংনরুবদা মমাঙগী লৈঙাক্তা শঙ্গ লৈখিবা কাঙবুনি হায়বা নত্তনা অতোপ্পা পাউখুম ফংদে। অচুম্বা খুদম খরদং পীরবদা পোন্দিচরি সিভিল সার্ভিসকী ২০১২দা দেপুটেসন ওইনা লাকখিবা ত্রাইবেল এফ্যেরস এন্দ হিলসদা জোইন্ট সেক্রেটরি ওইরিবা মীওই অসি মচি লেংদে। মসিনা দিপুটেসনগী ৱাহন্থোক লৈহন্দ্রে। অতোপ্পা খুদম অমনা হোম দিপার্টমেন্টতা মরম চাদনা লৈহনবিরিবা ওফিস এসিষ্টেন্ট কয়া অসি মশাগী পেরেন্ট দিপার্টমেন্টতা হলহনখিবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। অথুবা মতমদা মণিপুর সেক্রেটরিয়েট ওফিস ষ্ট্রিমলাইন তৌথোকপীনবা মণিপুর সেক্রেটরিয়েট কর্ম্মচারিশিংনা অপাম্বা ফোঙদোক্লরক্লি।

অচুম্বগীদমক্তা কৎথোক্কনি হায়না ৱাশকখিবা ইকায়খুম্নবদা মতিক চারবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন সিংহগী মফমদা থাজবা অদু থমজরি।

*অদোমগী - শ্রীমতি কমলা ৱাইখোম*
*মণিপুর সেক্রেটরিয়েট ব্লোক, ইম্ফাল*

### লৌমীশিংগী কাখল

# মণিপুরদা তিলহৌগী পোথোক

**ডা: এম থোইথোই সিংহ**




**ইন্দিয়া** অসি তিলহৌ মরূ পুথোকপদা মালেমগী অনীশুবা ওইরি। অদুবু তিলহৌগীদমক শীজিন্নরিবা লমদি ইন্দিয়ানা ইচাও চাউই। ইন্দিয়াগী মনুংদা মরুওইনা তিলহৌ পুথোক্লিবা ষ্টেটশিংদি মহারাষ্ট্রা, কর্ণাটাকা, ওরিষা, টামিল নাদু, উত্তর প্রদেশ, অন্ধ্র প্রদেশ, বিহার, গুজরাট অমসুং রাজস্থাননি। অদুবু ইন্দিয়াদা তিলহৌ থানরিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মহারাষ্ট্রনা মাংজিল থারি। অপূনবা তিলহৌ থানরিবা লমগী চাদা ১৯দি মহারাষ্ট্রদা লৈ। মসিনা ইন্দিয়াগী অপূনবা পোথোক্কী চাদা ২৩.১৩ পুথোক্লিবনি।

মণিপুরদসু তিলহৌ থাবগী চাং খরমখৈ হেনগৎচরবসু খুমাঙ চাউশিন্দবগী মরম খরদং মখাগী অসুম্না নৈনবা য়াই-

১) মরূ হুনবদা হৌবগী চাং নেম্বা।

২) চারা হুনফম অমসুং লিংথোক্লবা ফৈদোমশিংদা হৌরকপা নাপীশিং শেন্নবা ৱাবা।

৩) মতম চাদনা মপাল ঙন্না শাবগী চাং ৱাংবা।

৪) লোক্লবা মতুংদা মতোন থোকপা। কুইনা থম্বা য়াদবা।

৫) লায়না তীলনা তাবগী চাং ৱাংবা মরুওইনা পর্পল ব্লোটচ, বেসেল রোট অমসুং থ্রিপস।

মরমশিং অসিদা নত্তনা অতৈ খুদোংচাদবা কয়াবুসু খঙদোক্তুনা কাঙলোন চুমহল্লবদি তিলহৌ থানিংবা মীওইগী মীশিং হেনগৎলক্কনি। পোথোক হেনগৎহনবা ঙমগনি।

**১) মরূ হুনবদা হৌবগী চাং নেম্বা :**

হুন্নবা তিলহৌ মরূশিং কুইনা থম্বা য়াদে। মখোয়গী হিংবগী মতম তেল্লি। ঐখোয়না মথং চহী থানবনি হায়দুনা লোক্লবা মরূশিং লোক্লগা থম্বদা চহী অমদগী হেন্না থল্লবদি হৌগন্দে। দুকান্দগী লৈবা ওইরবসু মতম হেল্লবা মরূ শীজিন্নরোই। মরম অসিনা তিলহৌ থাবদা মায় পাক্তবগী মরম অসি ময়োন চোংবগী চাং নেম্বা অমসুং শাহৌ থিনবা তিলহৌ মখলশিং শীজিন্নবদগীসু ওইবা য়াই।

**ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ :**

(ক) মরূশিংবু য়ারিবমখৈ অইংবা মফমদা থম্বীগনি ।

(খ) মরূ লৈবদা মশা ফরিবা, খাউদা হাল্লকপা কুইদ্রিবা মরূদমক লৈগনি ।

(গ) মতম হেল্লবা মরূ শীজিন্নরোই।

(ঘ) মরূ হুন্দ্রিবৈঁদা মরূশিংদু ঈশিংদা পুং ২দগী ৬ ফাওবা তিংহৌগনি।

**২) চারা হুনফম অমসুং লিংথোক্লবা ফৈদোমশিংগী নাপী :**

তিলহৌ, চনম পাম্বীশিং কুংনা থাবা অমসুং মরা থেন্না তাবা মরম্না খূৎনা নৎত্রগা খূৎলায়না পেঙবা খুদোং চাদে। নাপী ককপদা তিলহৌ পাম্বীশিং য়াওবা/ফুক্লকপা য়াওই। মফম পীকপা মফমগী ওইরবদি খূৎনা পেঙথোক্কনি। অচৌবা মফমগী ওইরগদি নাপী হীদাক শীজিন্নবা য়াই। মসিগীদমক Oxyfluorfen 23.5 EC ওইনা শীজিন্নবা য়াই। মফম খেন্নবগী মতুং ইন্না শঙম অমা চাওবা লৌফমদা হীদাকসি মিলি ২০০-২৫০ ফাওবা চঙই।

**৩) মতম চাদনা ঙন্না মপান শাবা :**

তিলহৌগী পোথোক য়াম্না হন্থবগী অচৌবা মরম অমনা মতম চাদনা ঙন্না মপাল শাবসিনি। ঙন্না মপাল শাবনা তিলহৌ মরূনা চাওফম থোকপা চাং য়ৌনা চাওবা ঙমদে। ঙন্না মপাল শাবগী মরমশিংদি -

(ক) থেংনা চারাশিং লিংথোকপনা ঙন্না মপাল শাবগী মরম অমা ওইহল্লি। দিসেম্বরগী অথেংবা শরুক অমসুং জান্যুৱারীদা লিংথোকপসিনা তিলহৌনা মপূং ফাদ্রিবৈঁদা অইং অশাগী চাং অসি সেলসিয়স দিগ্রি ২০দগী ২৫ ফাওবা শাগৎলকপনা, মপাল থিনগৎলক্লবগী মরম অমা ওইহল্লি।

(খ) মনাগী শাহৌ থিনবা অসিসু মপাল ঙন্না থিনগৎলক্লবা মরম অমনি।

(গ) অঙৌবা মখলগী তিলহৌ ওইরবসু মপাল ঙন্না শাৎকল্লি।

(ঘ) চয়োল ১০গী মথক্তা লৈবা চারাশিং হায়বদি অরিবা চারাশিং লিংথোকপসিসু মপাল ঙন্না লাক্লবগী অচৌবা মরম অমনি।

(ঙ) নাইত্রোজেন ৱাৎপা লৌফমদসু তিলহৌশিং মপূং ফাবা ঙমদনা মপাল ঙন্না শাৎলি।

**ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ :**

(ক) মরূ তাবা মতমসি য়াম্নসু ইংদবা য়াম্নসু শাদবা সেলসিয়স দিগ্রি ১২গী মথক অমসুং সেলসিয়স দিগ্রি ২০গী মখাদা লৈবা মতমদা তান্নবা মরূ হুনবগী মতম শেমদোক শেমজিন তৌবীগনি।

(খ) মপাল ঙন্না শাৎকন্দবা তিলহৌ মখলশিং থানবা হোৎনবীগনি। খুদম ওইনা Prema (কালেন থাদসু থাবা য়াবা), Early grano. Texas early grano মমিং পনবা য়াই।

(গ) চারাশিং চয়োল ৬তগীনা ৭ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবৈঁদা লিংথোক্লবা হোৎনবীগনি।

(ঘ) চপ চাবা নাইত্রোজেনগী চাংদগী হেন্দনবা অমসুং তাদনা হাপ্পবা হোৎনগনি। তিলহৌ মখল খেন্নবগী মতুং ইন্না পরিদা নাইত্রোজেন কিলোগ্রাম ৮০দগী ১২৫ ফাওবগী মনুংদা হাপ্পবা হোৎনগনি।

(ঙ) মতম চাদনা থিনগৎলক্লিবা মপালশিং ঙল্লিবৈঁদা ককথৎহৌগনি নৎত্রগা শৎকৎহৌগনি।

**৪) লোক্লবা মতুংদা মতোন থোকপা :**

তিলহৌ মরূ তান্থোক্লবা মতুং ইকুই কুইদ্রিবৈঁদা ময়োন থোক্লকপনা মরম ওইদুনা থাজরিবা মীওইদুনা ফংফম থোকপা শেলগী চাংদগী হন্থনা ফংনৈ। মতোন চোংবগী থৌদৌ অসিসু অঙৌবা মখলগী তিলহৌশিংদনা অঙাঙবা মখলদগী হেন্না তৌগল্লি। খাওরমদাইদা লৈবাক্তা ঈনিল ৱাংবা অমসুং নাইত্রোজেন ৱাংবনা তিলহৌ মতোন থোকপগী অচৌবা মরম অমনি।

**ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ :**

(ক) তিলহৌ মরূ তান্থোকপগী মতম অসি অকংবা মতম হায়বদি নোং তাদবা মতমদা থোক্লবগীদমক খরা ঙন্না হুন্নবা হোৎনগনি।

(খ) তানগদৌরিবা তিলহৌ হায়বদি মপূং ফারক্লবা তিলহৌশিংদা ঈশিং পীবগী থবকসি নুমিৎ ২০গী মমাঙদা লেপকনি।

(গ) নাইত্রোজেনগী চাং খরা হন্থনা হাপ্পা ফৈ।

(ঘ) অঙাঙবা মখলগী তিলহৌদি মতম নত্তনা মতোন থোকপগী চাং য়াম্না হন্থে।

**(৫) লায়না তীলনা ঙাকথোকপা :**

তারিবা লায়না তীলনাশিং মশক মুন্না খঙদোক্লবা হোৎনগনি। অখঙ অহৈদা হংলগা চপ চাবা হীদাক কাপথোকপদা নত্তনা লায়না তীলনা তাদনবা মখল কয়াগী কাঙলোনশিংসু শীজিন্নগনি।

# পাম্বীদা ঈশিং ফংনবা হোৎনবদা লৌশিং খরা

**এস সুমঙ্গোল সিংহ**




**উ** পাম্বী অচৌবশিং অমদি নাপী মখল খরা নত্তনা ঐখোয়না থারিবা অয়াম্বা পাম্বীশিংদি লৈবাক লৈহাওগী অথেনবা শরুকশিংগী য়াওরিবা ঈশিং ঈনিলগী শরুক্তগী ঈশিং চুপখৎতুনা হিংবা ঙাক্তনি। লৈবাক্কী লৈমায়দগী নুংশাগী মৈশা অমসুং নুংশিৎনা ঈনিল অদুমক মাঙলিবনি। লোয়ননা পাম্বীগী মরানা চুপখৎলিবা ঈশিংসু অমুক মনাদগী থাদোক্তুনা ঈশিং অসি মাঙদবা য়াদবা মওংদা মাঙলিবনি। মরম অদুনা পাম্বী অমা মশা মউ ফনা চাথোক নিংথিনা ফংনবা হোৎনবা মতমদা ঈশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি মপূং ফানবা হোৎনবা মতমদা চেকশিনগদবা ঈশিং চনবগী মওং খরা খঙজিনবা কান্নগনি খল্লি। য়েংমিন্নসি।

**ঈশিং চনবা মতমদা খঙজিনবদা কান্নবা খরা হান্না য়েংসি।**

**লৈবাক লৈশাগী মওং :**

**লৈতানলম :** লৈতান্না নম্বা লৈবাক্লা লৈঙোইনা নম্বা লৈবাক্তগী ঈশিং শরুক অহুম হেন্না চুপশিনবা ঙম্মী। মরম অসিনা লৈঙোই লমনা লৈতান লমদগী খরা হেন্না তোইনা ঈশিং চনবা মথৌ তাই। অদুমকপু লৈতান লম্না অমুক ঈশিং চনবা মতমদা ঈশিং চুপশিনহনবদা হেন্না খূৎ চঙই। লৈঙোই লমদদি ঈশিংসি লায়না অমদি থুনা চুপশিনহনবা ঙম্মী। লৈতান লমদা ঈশিং মপূং ফানা চল্লবা মতুংদা মতম শাংনা ঈশিং ফাজিন্দুনা থম্বা ঙম্বা মরম্না কুইনা চৎপা হেল্লি।

লৈবাক লৈমায় অমদা লৈবাক মরোল অমা হৈজিন্দুনা শেল্লবা অদুগা পোপ্পবা ঈশিং চাইবা মতমদা অনৌবা লৈরোলদু য়ৌরবা মতুংদা হান্নগী লৈরোলনা কৈদৌনুংদা অহেনবা ঈশিংদু চুপশিল্লু য়ারোই পাথোক্তুনা চেনখিগনি। অসুম্না লৈবাক্কী শরুক (অর্থ বোল) য়াওনা ফুক্লকপা পাম্বী অমা থারগা অকোয়বদা অনৌবা লৈবাক্লা ফুনজিল্লবা মতুংদা ঈশিং চনবা মতমদা বোলদুদা ঈশিং চুপশিনবা ঙমদবদগী মরা চথোকপা ঙমদদুনা পাম্বী চাওবা হেন্দবা কয়া থেংনদবা নত্তে।

অতোপ্পা খঙজিনবদা কান্নবা অমনা লৈঙোই লমদা ইঞ্চি অমা থানা ঈশিং চনবদা ফুট অমা থানা ঈশিং য়ৌবা ঙম্মী। লৈঙোই-লৈতান য়ান্নবা লমদনা ফুটখাই অমা খরা হেন্না য়ৌই অদুগা লৈতান লমদনা ইঞ্চি মরি মঙাদগী হেন্না য়ৌবা ঙমদে।

ওর্গানিক্কী হারশিং হাপ্লগদি লৈমায় কয়া য়ৈশিন্দে, চাইরিবা ঈশিং নিংথিনা চুপশিনবা ঙম্মী। মতম শাংনা ফাজিন্দুনা পাম্বীদা মতম শাংনা ঈশিং পীবসু ঙম্মী।

**নুংশিৎনা ঈশিং শাথিনা মাঙহনবা ঙম্মী :**

লৈবাক্তগী নুংশিৎনা ঈশিং হুমদোক্তুনা ঈশিং শাথিনা মাঙহনবা ঙম্মী। মরম অদুনা ইঙ্খোলগী অকোয়বদা পাম্বী থাদুনা নুংশিৎ ঙাকথোক্লবা উপাই শীজিন্নবা য়াম্নমক কান্নে। মনা অমদি মশা মরেং য়াম্না পানবা পাম্বী থাবনা নুংশিৎ অকনবদগী নিংথিনা ঙাকথোকপা ঙমহল্লি। চেক্কী ফক্লাংদগীদি হায়রিবা পাম্বীশিং অসিনা নুংশিৎকী শাফু হন্থহনবদা কান্নবা য়াম্না হেল্লি। নুংশিৎকী ঈপোমদি ঈশিং ঈচেলগুম্বনি।

ঈপোমদুনা চেকপল লান্দুনা শিৎলক্লগা পাম্বীশিংবু শাথিনা মাঙ তাকহনবা ঙম্মী অদুবু পাম্বীগী মনা মরক্তা ফাওদুনা শিৎপা মতমদা নুংশিৎকী শাফু ফনা য়াম্না হন্থহনবা ঙম্মী । মরম অসিনা ঈশিং মাঙবগী চাংসু য়াম্নমক হন্থহনবা ঙম্মী।

**পাম্বীগী মরাশিং ঈশিং মুন্নৈ :**

উ পাম্বীশিংবু মাগী ঈশিং নিংথিনা পীরবদি থারিবা পাম্বীগা ঈশিং মুন্নহন্দবা য়াই। নৎত্রগা থারিবা পাম্বীগা উ পাম্বীগা অনীগী মরক্তা খোইদোক্তুনা কংহনবা মতমদা ঈশিং লৈবা মায়কৈরোমদা মরা চৎখিদুনা থারিবা পাম্বীগা মরা য়েৎনহন্দবসু য়াই।

**থারিবা পাম্বীগী মনা য়েংলগা ঈশিং চাইরোই লেপথোকপা য়াই :**

ঈশিং ৱাৎলবা পাম্বীগী মনা মউ মকশিনগনি। মনাশিং কোনশিল্লকপা উগনি। পাম্বীনা মনা কেন্দুনা খাঙলিবসি ঈশিং য়াম্না শীজিন্নদবননি।

**কনশিনবা লৈমায়দা ঈশিং চুপশিনবা ঙমদে:**

হোম হোম লাওবা লৈমায়না ঈশিং চুপশিনবা মতমদা অকনবা লৈমায়দা তাবা ঈশিং চেন্থখিদুনা মাঙখিগনি।

পূম্নমকশিং অসি খঙলবদি করম্না কয়া য়াম্না নৎত্রগা করম্বা মতমদা ঈশিং চাইগনি/চনগনি হায়বদু লায়না খঙবা ঙম্লনি খল্লি।

**অতোপ্পা কান্নবা খরা :**

ঈশিং পীরিবনি হায়দুনা লৈমায় খরখক চোৎনবা পীবদগী পীদবনা হেন্না ফৈ। ঈশিং য়ৌরিবা শরুক্তা মরা কাখৎলক্তুনা মরা থেন্না চৎনবা মচাক ওইহল্লি। মরা থেন্না চৎলবদি মচিঞ্জাক ফংবা ৱাৎলি। পাম্বী মপূং ফাররোই, শেন্দোং ফংলরোই। কালেনগী মতমদা স্কার মিটর অমগী লৈমায়দা ঈশিং লিটর ১০-২০ চাইবা মথৌ তাই। মসি ঈশিং পেরে অনীগী চাং ওইগনি।

ঈশিং মাঙদনবা মলচিং (লৈমায়বু কুশিনবা) য়াম্না কান্নে। মসিনা ঈশিং মতম শাংনা পাম্বীদা ফংহল্লি লোয়ননা নাপী হৌহন্দে।